HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

Vol. 50, Issue No. 319 | শগোলশেন, লমতাগী ১০নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, February 26, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## এম য়ুগী গ্রুপ বি ১সুং সীগী নন-টিচিং পোষ্ট ৭৮গী মীওইশিং খল্লবসু হায় কোর্টনা এপোইন্টমেন্ট পীদনবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) :**
সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবদা নত্তনা মণিপুরগী খ্বাইদগী মহৈরোয় মশীং য়াম্না তম্বা মহৈকোল অমা ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা মহৈকোল অসিগী নন-টিচিংগী গ্রুপ বি অমসুং সীগী তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ৭৮-গীদমক রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্তুনা মসিদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংগী মমিংশিং থা অসিগী ২৩দা ওফিশেল ওইনা লাউথোকখ্রবসু রিক্রুটমেন্ট অসিবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চেলেঞ্জ তৌরকপদগী কোর্টনা ৱাকৎ অদু লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা রিক্রুটমেন্ট অসিনা খল্লবা পোষ্ট ৭৮-গী মীওইশিংদা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর পীদনবা দিরেক্সন পীখ্রে।



ৱাকৎ অসি পাঙথোকখ্রিবা রিক্রুটমেন্ট অদুদা মল্টি টাস্ক ওফিসর অমসুং জুনিয়র এসিষ্টেন্টনচিংবা পোষ্টশিংগীদমক এপ্লাই তৌখিবা কেন্দিদেট অনীনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকপনি। পিটিস্নরশিং অদুনা নিঙোমথোং সাইরোম লৈরক্তগী ৱাঙ্খেম রঞ্জন (২৫), অপোকপা দল্লিয়ু বিনোয় অমসুং বাসিখোং তোর্ব্বান লৈকায়দগী সুখাম বিদ্যানন্দ (৩৫), অপোকপা এস কুমারনি।

মখোয় অনীগী পিটিশন অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিনা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেশনগী সেক্রেটরি অমসুং য়ু জি সীগী চ্যেরমেননি।

পিটিস্নর অনীনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টর দেল্লীদগী হল্লকখ্রে, অৱাৎপা মিনিষ্টর হাপচিন্দুনা পোর্টফোলিও য়েন্থোকপগীদি মমি তাদ্রি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) :**
থা অসিগী ২০গী নুমিদাংৱাইরমদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লোক ভবনদা লাক্তুনা গভর্ণর এ কে ভল্লাগা উন্নদুনা ৱারী শানরল্লবা মতুং মথংগী নুমিৎতা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবদু ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফালদা হল্লকখ্রে । অদুম ওইনমক মহাক্কী লৈঙাক্কী অৱাৎপা মিনিষ্টরশিং হাপচিনবগী ৱাশক লৌবা থৌরম পাঙথোকপগী মমি তাদ্রিবনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনী য়াওনা মিনিষ্টরশিংনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং য়েন্থোকপগী ৱাফমসু লৈখাই তাদ্রে।



চীফ মিনিষ্টরনা ঙরাং দেল্লীদগী হল্লক্লবা মতুং দিঙ্কু রোদ শেমগৎপগী থবক য়েংশিনখিবা

অদুবু চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক অসি থা অসিগী ৪দা ৱাশক লৌখিবনিনা ঙসি ফাওবদা নুমিৎ ২২ শুজিল্লক্লে। অদুবু অৱাৎপা মিনিষ্টরশিং হাপচিন্দবগা লোয়ননা মহাক্কা পূন্না ৱাশক লৌমিন্নখিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনী- নেমচা কিপগেন অমদি লোসি দিখো য়াওনা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা গোবিন্দ দাস কোন্থৌজম অমসুং কে ঐচ লোকেনগীসু মখোয়না পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং ঙসি ফাওবা য়েন্থোক্ত্রিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা থা অসিগী ২১দগীনা ঙরাং ফাওবা দেল্লীদা লৈরিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমন, ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিটিন গদকাড়ি, দোনর মিনিষ্টর জ্যোটিরাদিত্য এম সিন্ধিয়া অমসুং এগ্রিকলচর ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## আর পি এফকী ৪৭শুবা 'ইন্দিপেন্দেন্ট দিমান্দ দে'গী থৌরম পাক-শন্না পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ :** রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পিএফ) কী ৪৭শুবা মপোক কুমওনদা পাঙথোকপা 'ইন্দিপেন্দেন্ট দিমান্দ দে'গী থৌরম মণিপুর অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা পার্টি অমসুং পি এল এগী য়ুনিট, দিপার্টমেন্ট, ষ্টেশন খুদিংমক্তা পাঙথোকমিন্নখ্রে হায়না লালহৌলূপ অসিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) রোবেন খুমনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, আর পি এফকী সেন্ত্রেল ব্যুরোগী মখাদা লৈবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## চীফ সেক্রেটরিগী ওর্দর মখা থাবশিংনা ইল্লমদ্রে ইলহনবীয়ু হায়দুনা চীফ সেক্রেটরি মশাদা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) :**
মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিনা জুলাই ২৮,২০২৫দা মশামক্না খূৎয়েক পীবা ওফিস মেমোরেন্দম অমা সেক্রেটরিএট : লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থোক্তুনা লৈঙাক অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিংদা থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহনখিবা মরু ওইবা ৱাফম অমা হৌজিক ফাওবদা অকক্লবা লোয়শঙ খরগী মায়কৈদগীদি থবক্তা ওন্থোক্তবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চথুরকপা রিট পিটিশন অমগী ৱায়েলদা খুরৌ থাংহল্লে হায়রদুনা ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা পীখিবা দিরেক্সনশিং অদু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকহনবীয়ু হায়না চীফ সেক্রেটরিদা ওনশিন্দুনা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

চীফ সেক্রেটরি ডা. পুনীট কুমার গোয়েল (আই এ এস) না থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্টশিংনা এদভোকেট জেনরেলগী ওফিস য়াওনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট (হায় কোর্ট)/গভর্ণমেন্ট এদভোকেট (দিষ্ট্রিক্ট) নচিংবশিংগী ওফিসতা পেরাৱাইজ কম্মেন্টশিং/দ্রাফ্ট কাউন্টর এফিদেভিটশিং/রিপ্লাই এফিদেভিটনচিংবশিং পীশিনবদা থেংথরেনৎত্রগা পীশিন্দ্রে হায়রদুনা অসিগুম্বা মখলগী অকক্লবা কেসশিংদা থেংথহনবা অমসুং অহোবা লৈহনবা অসিনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মতম চানা লিগেল এক্সন লৌখৎপা ঙমহন্দ্রে অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমদি সবোর্দিনেট কোর্টশিংদা লৈবা মরু ওইবা কেসশিংগী ৱারোইশিন পুরকপদা অকায়বা থোকহল্লে হায়বসিনি।

মরম অসিনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিংনা মতম চানা পেরাৱাইজ কম্মেন্টশিং/দ্রাফ্ট কাউন্টর এফিদেভিট/রিপ্লাই এফিদেভিটনাচিংবা এদভোকেট জেনরেল/গভর্ণমেন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লম্বীদা থৎলগা 'নাক্কথেং' নীরকপনা অচৎ-অওকশিংদা খোঙলৌ-পলহৌনহল্লে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) :** মথং থাগী ৩দগী হৌগদৌরিবা চহীসিগী য়াওশঙ কুম্মৈগী মাঙওইননা ঙসি হুম্নি/মরিনিগী মমাঙদগী হৌরদুনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা নুপীমচা/লৈশাবীশিংনা মফম কয়াদা থোরক্তুনা অচৎ-অওকশিং থৎতুনা নাক্কথেং নীরকপনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবশিংদা খোঙলৌ-পলহৌনহল্লে হায়না পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লরক্লে।

হায়রিবা থৌওং অসি নেশনল নৎত্রগা ষ্টেট হায়ৱেশিংদসু চথুরকপনা লম্বীশিং অসিদা অনা-অয়েক্কী য়াওনা অথু-অকায়গী চৎপদা খম থেংনা খুদোংচাহন্দ্রে। অমরোমদা, টিদ্দিম লম্বীদা কৈশাম্পাৎতগীনা এয়রপোর্ট ফাওবগী মরক্তদি অপাকপা লম্বী ওইবনিনা খরা শাফরবসু হায়রিবা লম্বী অসিগুম্না পাক্তবা অতোপ্পা লম্বীশিংদদি গাড়ী অচৌবা-মচা থৎলগা নাক্কথেং লৌনবা হোৎনবদা ত্রাফিক জাম ওইবা য়াওরে। নাক্কথেং পীনীংদবশিংনা কোইরগা অমসুং থৈরগা চৎনবা হোৎনবদা এক্সিদেন্ট থোক্কে তৌবসু য়াওরে হায়রি।


